গভর্নরনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুরগী গভর্নর ডো. কে কে পোলনা হয়েং থোক্লিবা গুরু নানক মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা, মরুওইনা সিখ ইচিন-ইনাওশিংগী মফমদা নুংঙাই য়াইফ পাউজেল থারক্লি।

পাউজেল অসিদা গভর্নর পোলনা হায়, মীওইবদা নুংশিবা অমসুং ঙাকপীহৈবগী লম্বী উৎতুনা মতোমদা খোঙদারকখিবা অচৌবা থৱায়শিংদুগী মনুংদা গুরু নানকসু অমনি। মহাক্না পীরম্বা পাউতাকশিং অদু মুক্নবা অমসুং খুন্নাইগী উংখৎনবনা থল্লবা ঙসিগী মালেমদা অমুক্কা হেন্না চানরক্লি। মরম অদুনা মহাক্কী নীংবা-নীংদবা থিদনা মীপুম খুদিংমক্না অচৌবা গুরু অসিগী পাউতাকশিং ইন্দুনা ঐখোয়গী পুন্সি মরীক চুমহনসি অমসুং হেন্না ফগৎলবা মীওই ওইনবা হোৎনসি হায়রি।

থেরাপী সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫(ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা ড্রগ লান্না অমসুং সেরিঞ্জ শীজিন্নদুনা কাপ্পিবা, ড্রগ শীজিন্নবদগী লাপথোকপা ঙমদ্রবা মীওইশিংবু ড্রগ কাপ্পদগী লাপথোকহন্দুনা ঐচ আই ভী/এইদস লায়না শন্দারকপা থিংনবা অমসুং ড্রগ কাপ্পদগী ইমুং-মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অতোপ্পা পান্নেনা মহুৎ শীন্নবা ওপিওইদ সবষ্টিট্যুসন থেরাপী সেন্টর অমা ঙসি সী এচ সী, ককচীংদা হাংদোকখ্রে।

ড্রগ কাপ্পা থাদোকপা ঙমদ্রবশিংবু গভর্নমেন্টনা লেপ্পা ইদাক পীদুনা ড্রগ কাপ্পদগী লাপথোকহনবা ঙমদবগীদৌরিবা ঙসি হাংদোকখিবা ওপিওইদ সবষ্টিট্যুসন থেরাপী সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম অদুদা কক্চিং এম এল এ, রাই সুরচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি, ইম্ফালগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর প্রদিপ কুমার ঝা (আই এ এস)না থৌরম মপু অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডো. এস শরতকুমারনা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ সুরচন্দ্রনা হায়খি, ড্রগ লান্না শীজিন্নদুনা লান্না চৎখ্রবশিংবু অফবা মায়কৈরোমদা পুরক্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না পুন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। ড্রগ লান্না শীজিন্নবশিংনা ড্রগ চানবা হোৎনবদা ইমুং-মনুংখক নত্তনা কৈরোই লৈকায়দা চাউনা চৈথেং পীরি। ঙসি হাংদোক্লিবা সেন্টর অসিনা ককচীং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবশিংদা নীংথিনা কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি।

ৱার্কশোপ পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫(ঐচএনএস)ঃ ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরেলগা খুৎশম্নরগা অগষ্টি কলচরেল একাদেমী, থৌবালনা শীন্দুনা লাক্লিবা নবেম্বর ১২দগী হৌরগা নুমিৎ ৫নিগী ওইবা ৱার্কশোপ কম দেমোনষ্ট্রেসনগী থৌরম অমা পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা লৈবা পলেন চিলদ্রেন আশ্রমদা হৌদোক্লগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কশোপ অসিগী মনুং চল্লিবা পেনা, মোইবুং, শিনবেল, লাংদ্রে অমসুং ফোক জগোয়শিংদা শরুক য়ানিংবশিংনা লাক্লিবা নবেম্বর ১১ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌবী অমসুং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না একাদেমী অসিগী দিরেক্টর রতন লৈশাংথেমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

রিক্রুটমেন্ট কেন্সেল তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ ঃ লাক্লিবা নবেম্বর ১০দগী ১৫ ফাওবা ইম্ফালগী কোইঙ্গৈ এয়র ফিল্ডদা পাঙথোক্কদবা রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অদু কেন্সেল তৌরে হায়না কম্পেনি কম্মান্দর লেফটিনেন্ট পি কে লাইশ্রমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

GAS TODAY

CANCHI INDANE SERVICE
Booking upto-06/08/14
Valid from-01/08/14. **Stk-306**
Timing-7.30-10 am

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Serial No.-8989-9240
Booking upto-31/07/14
Timing-7-10 am

JEMON GAS, CHINGAMATHAK
Booking upto-28/07/14
Valid from-11/07/14. **Stk-800**
Timing-6-9 am

K&K INDANE SERVICE
Booking upto-29/08/14
Valid from-26/08/14. **Stk-558**
Timing-7-10 am

LAMSANG GAS
Booking upto-10/08/14
Valid from-31/07/14. **Stk-306**
Timing-7-10 am

MANIPUR POLICE GAS
Booking on-02/09/14
Stk-306
Timing-10am-1 pm

MISAO GAS SERVICE
Booking upto-02/08/14
Valid from-12/07/14. **Stk-306**

THOUBAL GAS, SINGJAMEI
Delivery point-kakwa
Booking upto-31/07/14
Valid from-18/07/14. **Stk-306**
Timing-7-10 am

RBD INDANE SERVICE
Booking upto-08/08/14
Valid from-26/07/14. **Stk-612**
Timing-7.30-11 am

SAWOMBUNG INDANE SERVICE
Booking upto-09/08/14 **Stk-306**
Timing-7.30-10 am

‘সিক্স পে এইদেদ ওজাশিংদা চৎনহল্লু, অহাংবা ফমগী দি পি সি অথুবা মতমদা লোইশিল্লু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ এইদেদ স্কুলগী ওজাশিংদা সিক্স পে চৎনহল্লু অমদি অহাংবা ফমগী দি পি সি অথুবা মতমদা লোইশিল্লু হায়দুনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর লোয়ননা মরী লৈনবশিংদা অলটিমেটম অমা পীশিনখ্রে।

ওজাশিংগীদি দিমান্দশিং তকশিন্দুনা লাক্লিবা নবেম্বর তাং ৭ ইংদগী সিট-ইন-প্রোটেষ্ট তৌনবা ৱারেপ লৌরে অমদি শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবা, মশা মথন্তা শিজবা অমদি চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা মতম কক্তবা বন্দনচিংবা ফীরেপ লৌরকপসু য়াই হায়না ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট এইদেদ স্কুল ইমপ্লোয়ি কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিগী প্রেসিদেন্ট এল প্রেমেসরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এইদেদ স্কুলগী ওজাশিং অমদি ইমপ্লোয়িশিংদসু মতম মতমগী পে স্কেল পীগদবনি হায়বা ষ্টেন্দিং ওর্দর লৈনা লৈনা ডিকেৎ অমমম চৎনবা পেরিভিজন্দা চহী মরি হৌখ্রবসু এইদেদ ওজাশিংদা সিক্স পে পীবীদবসি মরম করিগীনো হায়বসু ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু।

মণিপুরদা লৈরিবা এইদেদ স্কুলগী ওৱাশিং অসি ইং কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর থাদগী গভর্নমেন্টনা এগ্রুপ তৌবীদুনা মতম মতমগী গভর্নমেন্টনা লেপ্পা পে স্কেলদা এল্লাওৱেন্স খুদিংমক ফংদুনা মঙাশুবা পে রিভিজন স্কেল ঙসি ফাওবা ফংলি। অদুবু কুমজা ২০১০গী মে তাং ৫ দা থোকপা পেরিভিজনগী নোটিফিকেসন নম্বর ১/৪/২০০৮ এফদি (পি.আই.সি) গী রুল নম্বর ২(এফ)না কম্প্যুটরাইজেসন ওফ পার্সনেল ইনফোর্মেসন সিষ্টেম মণিপুর গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ি লিষ্ট (সি পি আই এস/এমজেল) চন্দ্রিবা কর্ম্চারিশিং রিভিজন ওফ পে ২০১০ লৌবা য়াহনখিদ্রে। মসি তশেংনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী কর্ম্চারিশিংনা এমজেল চনবা মতম ইং কুমজা ২০০৬ দা এইদেদ স্কুলশিংগী ইমপ্লোয়িশিংসু এমজেল শেমদুনা এম আই এসতা য়াবদা এইদেদ স্কুলশিংদি য়াওরোইদবনি হায়খিবনি। অদুবু ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী পে ইমপ্লিমেন্টেসন সেলনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম নম্বর ১/৪/২০০৮ এফদি (পি আই সি) (পি টি) (৩) গী ক্লিয়ারেন্স লৌরগা ৬ শুবা পে ফংবা য়াগনি তাকপীরি। তাকপীবগী মতুং ইন্না মরি লৈনবা দোকুমেন্ট খুদিংমক থাগৎতুনা চংগদবা শেলফম্ন চিংবা হেদতুনা ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট পি আই সিদা ফল পোজিসন পীরক্নবা চিঠি ইদুনা পীখ্রবসু চহি ২/৩ নমশিন্দুনা থম্বীরি হায়রি।

সি পি আই এস থাগৎখ্রবসু লোইশিনবীদনা ঙসি ফাওবা থম্বীরি। নাকল অমরোমদা সি পি আই এস লোইদবা ওটোনোমস বোদি অমদি অতৈ কয়া সিক্স পে তলব পিবীরি অসিগুম্বা সি পি আই এস লোইখ্রবসু ফংফম থোকপা ষ্টেন্দিং ওর্দর লৈরিবসিনা খুদক্তা পীথোকপীনবা ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মরি লৈনবশিংদা খুৎ থিংজিনবীননবা পুক্নিং চিংশিঞ্জরি।

মতম কুইনদগী আউটদেটেট ওইরবা গ্রান্দ-ইন-এইদ রুল শেমদোক্নবা তক্কদুনা লাক্লবসু শেমদোকপীদ্রগা হৌজিক রুল শেমখিগনি হায়দুনা দি পি সি য়ৈথনবগী মরম ওইরে। স্কুল অমদা লৈবা ওজাশিং লোয়না সার্ভিস মতম লোইখিবদগী ওজাগী মতম লোইরগদবা ওন এগ্রুপ ওজা কয়াসু য়াওরে। মরম অসিনা মরি লৈনবা জেদঈ ওশিংনা স্কুলশিংবু দাইরেক্ট য়েংশিল্লিবসিনা মখোয়দা মীনমদুনা ওজাশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংলোইদ্রা? অমবু ওইরে অমবু ওইরে রুল শেমদোক্তিঙৈদা অন-এগ্রুপ ওইনা লৌখিবা ওজাশিং শেমদোকক্তিবা রুলগী মতুংইন্না দি পি সি তৌবীন্নবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা অকনবা পাউতাক পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

নর্সিং কোলেজগী ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫(ঐচ এন এস) ঃ কোলেজ ওফ নর্সিং, লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী মপোক কুমওন থৌরম অমদি ফাষ্ট ইয়ার বি এসসি নর্সিং মহৈরোইশিংগী ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি কোলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র/জি এ ডি/কাউ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা চীফ গেষ্ট, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবু (আই এ এস)না প্রসিদেন্ট, জে এন ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেসকী দিরেক্টর ডা. ও ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা সী এম ইবোবীনা লুচিংবা মতম ২০১২ দা ইণ্ডিয়ান নর্সিং কাউন্সিলনা অয়াবা পীরক্লগা কোলেজ অসি হাংখিবনি। ঙসি কোলেজ অসিগী মপোক কুমওন থৌরম কোলেজ অসিদা পাঙথোকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। কোলেজ অসিগী ক্লাস রুম অমদি টিচিং রুম লৈরে। বিল্ডিংগী মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিবা শরুকশিং অথুবা মতমদা লোইশিল্লক্লগনি।

হেল্থ কাৱাগী মতাংদদি হান্নদগী হেন্না ফগৎলে। গোভর্নমেন্টগী নর্সিং ইন্সটিট্যুট অসি অৱাংবা লৌবা পুখৎকনি। অৱাংপা ষ্টাফ হাপ্পুনা কোলেজ অসি মপুং ফানা ইন্সটিট্যুট ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা দিরেক্টর ডা. ও ইবোমচানা হায়খি, নর্স খুদিংমক্কা গুণ চেনবা তাই, নর্স অমা ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌগনি হায়না থোক্লক্লবনিনা য়াম্না পুকচেল শেংনা থবক তৌবা তাই। বোডি লেঙ্গুৱেজ খঙবা তাই, পেসেন্ট অমগী মনাক্তা চঙবদা মোমোন নোক্না সেবা তৌবিবা, অচুম্বা ঙাঙবা তাই। গ্রেজুয়েটকী থাক্তা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসন অসি হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা থৌরাং লৈরে।

পি দি এসকী পোৎলমশিং ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫(ঐচএনএস)ঃ লেপ্পা লৈতনা চথরকপা থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি লমশাং এ সিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অহোংবা মমলদা পি দি এসকী পোৎলম ফংহনখ্রে হায়না বি জে পি যুব মোর্চা, লমশাংগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ লোকেশ্বরনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসিগী থৌরম অদু খোংহাম্পাৎ মন্ত্রি লৈকায় বি জে পি কমিটি, সলাম মনিং লৈকায় বি জে পি কমিটি, কিয়াম বি জে পি কমিটি, বি জে পি মাকখং পার্ট টু কমিটি অমসুং বি জে পি যুব মোর্চা লমশাংগী যুবশক্তিমুন্না যুবা মোর্চাগী ষ্টেট ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ কনবাগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

মায়পাক্কা চথরকপা থৌরম অসি মখা তানা পি দি এসকী পোৎলম কয়া অমসু হাপচিন্দুনা অহোংবা মমলদা মীয়ামদা ফংহল্লগনি হায়না বি জে পি যুব মোর্চ লমশাংগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল বোবিনা থৌরম অদুবু য়াওবা লাকখিবা মীয়মদা পাউদমখি হায়রি।

এল বোবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমশাং এ সি অসিদা লাইরবগী পনখৈগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগী ফংজগদবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পীবা বি পি এল, এ এ ৱাই, এ পি এলগী কার্দকী খুদোংচাবা ইনাকখুনবা এম এল এগা নক্কবা মী ঙাক্তগী ওইখ্রে। ওল্দ এজ পেন্সনসু মশাগী চহী ৬০ শুদ্রিবা এম এল এগী মীওইশিংদা খক্তা ফংলে। লমশাংগী অখন্নবা সর্ভে অমা চৎপদ পোল্লিং ষ্টেসন ৪১গী মফমশিংদগী খঙবা ওইরে।

লাইরবশিংগী অমসুং অহল লমশাংগী সংক্সম থোকপশিংবু কসিসু যনবা তৌদনা নমসিন্দুনা থক্লিবা লমশাং এ সিগী এম এল এ অমসুং মশাগী ওইজবা কয়ানা মাঙওনরিবা এজেন্টশিংগী লোনচৎপু বি জে পি যুব মোর্চা লমশাংনা তরাইনা লৌদবগা লোয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়খি।

হায়রিবা হীরম কয়া অসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং থাদুনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীনবা হায়জরগনি হায়রি।

‘কোওপরেটিভকী কান্নবা মীয়ামদা খঙহনবদা মেদিয়াগী থৌদাং চাউই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫(ঐচ এন এস) ঃ কোওপরেটিভকী কান্নবা মীয়ামদা খঙহনবদা মেদিয়াগী থৌদাং চাওই হায়না দি আই পি আরগী দিরেক্টর দল্লিয়ু রাজেননা ঙসি ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্ট (আই সি এম), লম্ফেলগী হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কোওপরেটিভকী ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরদা কোওপরেটিভ মুভমেন্ট কনখৎহনবদা মেদিয়াগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ওরিয়েন্টল রুমেন লেভর কোওপরেটিভ সোসাইটিনা আই সি এম, নেসনেল কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন সি য়ু আই) এদ্যুকেসন ফিল্দ প্রোজেক্ট থৌবাল অমদি এন সি য়ু আই কোওপরেটিভ এদ্যুকেসন প্রোজেক্ট ইম্ফালগা খুৎশম্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা দি আই পি আরগী দিরেক্টর দল্লিয়ু রাজেননা হায়খি, মণিপুরদা কোওপরেটিভকী খোঙজেল অসি তপ্লি। কোওপরেটিভ মুভমেন্ট অসি কনখৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তারি। কোওপরেটিভকী কান্নবশিং মীয়ামদা খঙহনবসু য়াম্না তঙাইফদে। মসিদা মেদিয়াগী থৌদাং চাউই।

হৌজিক্কী মতমদা দেমোক্রেসি চৎপা লমদা মেদিয়াগী থৌদাং অসি য়াম্না চাউখ্রে। হীরম খুদিংমক্তা মেদিয়াগী মরুওইবসি হেনগৎলক্লি। হীরম খুদিংমক্তা মীয়ামদা খঙহনবদা মেদিয়াগী মরুওইবা লৈ। কোওপরেটিভকী মরমদসু মীয়ামদা কুপ্পা খঙহন্নবা মেদিয়ানসু হোৎনবা চঙই। মণিপুরদা থবক ফঙদবগী চাংসু য়াম্না ৱাংলি। কোওপরেটিভকী লমদা চাউখৎলবদি য়াম্না ফগনি। মণিপুরদা ইকোনোমিক দিষ্ট্রিব্যুসনকী মওং অসিসু ফেল ওইরে। লন্নাই পোকেটশিংদা চঙবগুম তৌরে। শেল পায়বা মীওই কয়া অমসু লৈরি। লায়রবা কয়া অমসু লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ওরিয়েন্টল রুমেন লেভর কোওপরেটিভ সোসাইটিগী চেয়রপার্সন জিনা পোৎশংবমনা হায়খি, মণিপুরদা থবক ফঙদবগী চাং ৱাংলিবা অসি কোওপরেটিভকী মুভমেন্ট চাউখৎহল্লবদি হন্থহনবা ঙমগনি। লমদমসিদা ইন্টরপ্রেন্যুয়র কয়ানা মীওই কয়াদা থবক পীরিবনি। কোওপরেটিভকী লমদা থবক পীবা য়াবা য়াম্না লৈ। কোওপরেটিভ চাউখৎলবদি থবক ফঙদবা মী ইরৈ লৈরোই। মশা মশাগা চানবা থবক কয়া শেম্বীবা তাই। নুপীশিংদসু ৱাখল্লোন কয়া পীবা তাই। কোওপরেটিভকী লমদা ট্রেনিং ফঙলবা নুপী কয়া ঙসি হীরম কয়াদা থবক তৌবা ঙম্লে। পোলিটিকেলগী লমদা ফাওবা চঙবা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী বোর্দকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ খম্বা অমদি ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্টকী দিরেক্টর ডো: কে ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা, আই সি এমগী দিরেক্টর ডো. কে ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা মোদেরেটর ওইদুনা টেক্নিকেল সেসন পাঙথোকখি। সেসন অদুদা এদিটর গীল্দ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ মোবিনা, মণিপুরদা কোওপরেটিভ চাউখৎহনবদা মেদিয়াগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

কম্মিসনারগী ওফিস থবক তৌহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ এস পি দি পি ও

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫(ঐচ এন এস) ঃ ষ্টেট দিসএবিলিটি কম্মিসনারগী ওফিস থবক তৌহন্দ্রবদি থাসিগী ১১ দগী মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না এস পি দি পি ও (পিপলস ৱিথ দিসএবল পিপলস ওর্গনাইজেসন (এস পি দি পি ও), মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস জসোবন্তনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা খঙহনখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এস জসোবন্তনা হায়খি, মণিপুরগী দিসএবিলিটি কম্মিসনারনা মতম শাংনা হাপ্তবদগী দিসএবিলিটিশিংগীদমক তৌফম থোকপা কয়া তৌদনা লাকখি। ষ্টেট দিসএবিলিটি কম্মিসনার হাপ্পবা খোল্লাও কয়াসু লাকখি। মতম কুইনা হাপ্লক্ত্রবা মতুংদা চহীসিগী জুন থাদা মণিপুরগী দিসএবিলিটি কম্মিসনার হাপ্পীরকখি। অদুবু দিসএবিলিটি কম্মিসনার অসি হাপ্পগী মতাংদা য়েৎনবা লাকখি।

হৌজিক ষ্টেট দিসএবল কম্মিসনারগী ওফিস থবক তৌবা য়ানবনা থবক লেপ্লে মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ষ্টেট দিসএবল কম্মিসনারগী ওফিস অসি হাংবা য়ানবা ষ্টেট কম্মিসনারগী অমা লৈহন্দুনা ষ্টেট দিসএবিলিটি কম্মিসনারগী ওফিস অসি থবক তৌহন্দ্রবিয়ু। মনুংদা ষ্টেট দিসএবল কম্মিসনার ওফিস অসি থবক হৌহন্দ্রবদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা পাল্লিবদি ষ্টেট দিসএবল কম্মিসনার ওফিস থবক তৌবা অসিনি। পিপলস ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্টকী মখাদা দিসএবল ওইরবশিংনা ফঙবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া অসি দিসএবিলিটিগী কম্মিসনারগী ওফিস থবক তৌদ্রবদি ফঙবা য়ারগনি। দিসএবিলিটিগী রিজার্ভেসনচিংবা কয়া অসিসু দিসএবিলিটি কম্মিসনারগী ওফিসনা য়েংশিনবা মথৌ তাই। দিসএবিলিটি কম্মিসনারগী ওফিস অসি দিসএবল ওইরবশিংগীদমক য়াম্না মরুওইবা ওফিসনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এস জসোবন্তনা মখা তারদুনা হায়খি, ষ্টেট লেভেল স্পোর্টস মীট ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি লাক্লিবা কুমজা ২০১৫গী জানুৱারী ১২ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা অসি অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোকপনি। স্পোর্টস মীট অসি খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মাওইষ্টকী লোক্তাক...

*লামায় ১গী মখা...*অসিবু মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা মপুং ফানা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌরকপনি হায়বা ৱাফমসু চেরোলসিদা পল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরোম চনু শর্মিলানা চরা হেনবা হৌখিবগী নীংশিং থৌরম অসি লোইলম লৈঙাক অসিনা মীনুংশি লৈতনা যুম মৈ থাদোক্তুনা তমথীনা ওৎপি নৈবিরবা খাংফম খংদনা ৱারবা লোক্তাক ফুমথক্তা শৈদাংদুনা লৈজরম্বা ঙামী মীয়ামগী অনৌবা মীরোলনা শেমগৎলকপা লূপ অসিগী লোক্তাক পানা-না লায়রবা লৌমী শিন্মী ঙামী মীয়াম্না লুচিংদুনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম লালহৌ অসিগী অচেৎপা ৱাশক লৌনবগীদমক লোক্তাক ফুমথক্তা পাঙথোল্লকপনি। মীনুংশি লৈতনা যুম মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনবীখ্রবা লোক্তাক্কী ঙামী মীয়ামগী ঈহৌ মমি শান্নকপগী মরু ওইবা মরম খরদি এন জি ও ওরিয়েন্টদ ওইবা লূপ কয়ানা ঈহৌ অসিবু হাইজেক্ত তৌদুনা মীপাল তাংহন্নবা ইণ্ডিয়া লাক্তুনা কনবীরগনি হায়দুনা লান্না থাজহন্দুনা মীয়ামগী থৌনাবু মীপাল তাংহন্নবা ৱাখল্লোন পীবা, সী এস ও গী থৌরাংদা মমায় অনি লোংবা হায়বদি ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসননি হায়দুনা মীয়ামগী ঈহৌবু লুচিংলিবশিং অদুনা মীয়ামগী ঈহৌদা শরুক য়ারবসু মখোয়গী পেরেন্ট ওর্গেনাইজেসনশিং অদুনা মীয়ামগী যুম মৈ থানবগী থৌরাংলিবা এজেন্সি লোক্তাক ডিবলপমেন্ট ওথোরিটি (এল ডি এ) দগী লোক্তাক ফুমদি শেংদোক্নবা থাদরক্লিবা শেনফম অদুদগী চাকথুং লৌদুনা য়ানথোকপা অমদি ঠিকা মচা মচাশিং মখোয় মখোয়গী সিম্পেথাইজরশিংদা পীশিন্দুনা মীয়াম্বু খাইবুং তাহন্নবা অমদি লোকেল পোলিটিকেল কন্দিসননা মরম ওইরগা পোলিটিসাইজ তৌদুনা মীয়াম্বু খাইবুং তাহনবা কয়া অসিননি। খ্বাইদগী মপুং ওইনা শোইখ্রিবা মচাক্তি সী এস ও কয়াগী থৌওং অদুনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর গভর্নমেন্টনা এল ডি এগী খুত্থাংদা থাদরক্লিবা ফুমদি শেংদোক্নবগী শেনফম অদুদগী মশানা মশাবু মীয়ামগী লালহৌবনি হায়না হায়জরিবা লূপশিং অদুনা অচৌবা শেনফমশিং পার্টিগী ফন্দ ওইনা লৌখি হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না নিংফুং নিংফুং ঙাওনরি অমদি লূপ অসিনসু মীয়াম্না ঙাওনরিবা অসি অচুম্বা ওইগনি হায়না লৌই। শেনফম অসি লৌবা হায়বগী ৱাহন্থোক্তি লায়রবা ঙামী কয়াগী যুম মৈ থাদোকপা য়ারে হায়বগা পাঙ্খক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লালহৌবা ময়াম অদুগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন ময়াম অদুনা লোক্তাককী লায়রবা ঙামী মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা চঙশিন্দুনা অমুকসু ঈহৌ অসিদা য়াওশিনবা অসিনা খূৎ য়েৎনা শেল লৌবা অদুগা খূৎ ওইনা ঈহৌগীদমক পাম্বোম তিংখিবা থৌওং অসিনা লোক্তাক ঙাগী মীয়ামগী ঈহৌ অসি তপ্পা তপ্পা শোন্থরক্নবগী মচাক ওইহনখিবনি। ঙসিদি অনৌবা মীরোলনা লূপ অসিগী ৱাখল্লোন্দা থাজবা থল্লকপা অমদি অচুম্বা লালহৌ মশক খঙলকপনা মণিপুর মাওইষ্টকী লালহৌদা নোংমা কাংদনা শরুক য়ারক্লিবনি। লোক্তাক পানা অমা শেমগৎতুনা মপাঙ্গল লৈনা লেপ্পা ঙল্লকপা হায়বসিমকসু লালহৌগী অচুম্বা কাঙলোনগী খুমাঙ চাওশিল্লকপগী খুদম্নি। ঙামী মীয়ামগী অৱাবদি ঙামী মীয়ামগী খুৎতনা কনবা ঙমগনি হায়বসি অনৌবা ঙামী মীরোলগী ৱাশক্লি। অনৌবা ৱাশক অসিগা ইরোয়ননা ইরোম চনু শর্মিলানা ইণ্ডিয়াগী কা হেনবা মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা ঈহৌ অসিবু মণিপুরগী লায়রবা লৌমী শিন্মী অমদি ঙামী মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌরি। মণিপুর মাওইষ্টনা অচুম্বা নীংতম লালহৌ অমগীদমক খুমাং চাওশিন্না শেম শারি। মণিপুর মীয়াম্না ইণ্ডিয়াগী কা হেনবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপ্নবগী ৱারেপ লৌমিন্নদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী খুন্নাই কঞ্জনবগী ঈথৌদাং অদু লৌমিন্নরসি হায়না ঙসি ইরোম চনু শর্মিলানা চরা হেনবা হৌখিবা নুমিৎ অসিদা মণিপুর মাওইষ্টনা লোক্তাক ফুমথক্তা লেপ্তুনা মণিপুর মীয়ামদা অনৌবা য়াওল লাম্হেং অমগীদমক পাউজেল পীররকপগা লোয়ননা ইরোম চনু শর্মিলানা মীয়ামগীদমক লন্নাইগী পুন্সিরোল থাদোক্তুনা হেন্না কনবা ৱারেপ লৌরক্তুনা ইণ্ডিয়াগী কা হেনবা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পা ওইরসনু হায়না লূপ অসিনা ইরোম চনু শর্মিলাদা পাউজেল পীরক্লি।

অফস্পা-শর্মিলানা চরা হেনবগী...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা গ্বাংজু এৱার্দীশিং, মে ১৮ মেমোরিএল ফাউন্দেসন, ফোরম এসিয়া, জষ্ট পিছ ফাউন্দেসন সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমদগী লাকপা মীওই কয়া অমত্তা ওইনা ইম্ফালদা পুল্লবনি। দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক থুগাইদুনা অচুম্বগী ৱায়েল পথাপ্পু কাইহল্লিবা অমুবা আইন অফস্পা রিপিল তৌনবগীদমক্তা শর্মিলানা চঙশিল্লীবা খোঙজংবু শৌগৎলদুনা ঙসি চথখিবা চরা হেনবগী ৱাকৎ-মীফমদা পুন্না শরুক য়াবনি। পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ডো. বিনায়ক সেননা হায়খি, মণিপুরগী মীয়াম্না অফস্পাগী চৈথেংগা লোয়ননা লৈরক্লিবা অসি চহী ৫০ হেল্লক্লে। মসিগীসু মথক্তা লমদমসিগী হৌরক্লিবা জেনেরেসন অনীদি ফ্রীদমগী ৱাহন্থোক খঙদনা পুন্সি লোমখ্রবনি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা গ্বাংজু এৱার্দী অমদি এসিয়াগী হ্যুমন রাইটস দিফেন্দরশিংনা জীবন রেদ্দি কম্মিটিগী ফাইন্দিংশিং মীয়াম খঙনা লাউথোকপীয়ু অমদি চৎনহনবীয়ু হায়নসু তকশিনখি। মসিগীসু মথক্তা সন্তোশ হেগ্রে কম্মিসন্না পুথোকখ্রবা ফাইন্দিংবু লূম্না লৌবীদুনা সুপ্রিম কোর্টনা ফেক এনকাউন্টর ১৫২৮ গী অথুবা ৱায়েল ফংহনবীয়ু হায়খি।

পাউচে অসিগী এদিটর...

*লামায় ১গী মখা...*স্পিসিএল এদিসন অমদি মীতৈ থাপালোন য়াওবা ‘পান্দম’গী কেলেন্দর অমসু ফোঙগনি হায়রি। থৌরম অসি হোংমান তাঙ্খুল ভীলেজদা পাঙথোকপগী মতাংদা কনভিনর এন তোম্বনা হায়খি, মীয়াম্বু হীরম কয়াদা লুচিংবীরম্বা ওজা অকাবা লায়রবা ইমুংদা পোকপনা, পীক্লিঙৈদগী অপোকপা মপাবুংগী তুংইন্দুনা অরাপ্পা চীংগী মফমদা থবক শূবা য়াওরকখি। উখ্রুলগী ফুংয়ারদা দ্রেন অমদি কলভর্ট চনবা য়াওরকখি। অসুম্না ওজা অকাবগী পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক চীংগী মফমদা লেল্লকখি। লাক্লিবা নবেম্বর ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা নীংশিং থৌরমগী মফম হোংমান তাংখুল ভিলেজ অসিদা হৌজিক লৈরিবা চর্চ অসি ওজা অকাবা মশানা হেদ মিষ্ট্রি ওইদুনা শাবীরম্বনি। হোংমান তাংখুল ভিলেজগী হান্নগী চীফ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ওজা অসুই জিমিকনা অসুম্না হায়রম্মী, ‘মতমদুদা ওজা অকাবনা খুলসিদা চর্চ শাবা লাকখিবদু অতৈ মিষ্ট্রিশিংগা মান্নদে, হি কেম এলোং ৱিথ দি হিষ্টরি’ হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। চীংমী-তম্মী অনীগী নুংশিনবগী মরী চেৎশিনহন্নবা লৌরম্বা লৈখিদ্রবা লুচিং পুরেল অসিগী থৌদাংবু চীংমী-তম্মীনা নীংশিংদুনা লৈহৌনবগীদমক থৌরম অসি মফমদুদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

গীতেশোরি খল্লক্লে

*লামায় ১গী মখা...*ওইবা মেন্যুফেক্চরিং য়ুনিট অমা ওইরিবা গ্রীন বাইওটেক্কী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরি।

গীতেশোরি য়ুম্নামবু অসিগুম্লবা ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়ানবা খল্লকপা অসিদা এগ্রিপ্রেন্যুরস মণিপুর চেপ্টরগী সেক্রেটরিনা মহাক্কী মফমদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা মাঙজিন থানা থবক তৌরিবী নুপী লুচিংবীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগীদমক চে থারকখিবা কেন্দদেটশিংগী মরক্তা ৱিমিন ইম্পাৱারমেন্ট প্রোগ্রাম, ঐচ আই দি এ স্ক্রীনিং কম্মিটি জাপান্না ইন্দিয়াগী নুপী ১৯ খনগৎলকপদা গীতেশোরি য়ুম্নামসু য়াওরকখিবনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি কনফেন্দেরেসন ওফ ইন্দিয়ান ইন্দষ্ট্রিজ (সী আই আই) না ঐচ আই দি এ (ওভরসীজ হ্যুমন রিছোর্সেস দিবেলপমেন্ট এসোসিয়েসন) গা খুৎশম্নরগা পাঙথোক্কদবনি।

পুলিসতা কেস...

*লামায় ১গী মখা...*হেন্না অৱাবা ফীভম অমদা লাক্কনি। ঐখোয়গী মশক তাকপা হায়বসি অতোপ্পা কনানা লাক্তুনা তাক্লগদবা লৈতে। থৌরম অদুদা কলমগী প্রসিদেন্ট আই সী অসেম য়াইতোংবনা প্রসিদেন্ট অমসুং নহাকলগী প্রসিদেন্ট থিয়াম ওংবী শিল্লেমা লৈমসু স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE
Soibam Leikai, Khanglabung Leirak, Imphal
/ADMISSION OPEN FOR
Revision Course & Advanced Foundation Courses
Of Classes IX & X (BOSEM & CBSE)
1st Batch Revision Courses Starts from 16th oct.,2014
Timing:(5:45-6:45) P.m.
2nd Batch Revision Courses starts from 11th Dec.2014
Timing (5-6) A.M. & (5:45-6:45) P.M.
1st Batch Advanced Foundation Courses for Classes IX & X
Starts from 11th Dec,2014
Timing : (4-5) A.M. & (2:00-3:00) P.M. (Class-X)
For Classes IX & X (CBSE) (SA-II) starts from 5th Oct.,2014
Timing : (5 - 6:10) (for Class-X) A.M. & (6:15-7:15) A.M.(Sunday+2nd Saturday)
N.B,: For Manipur State only Sundays +2nd Saturdays
for outsiders Mon. to Sat.
Khangembam Nongthangleima Stood 13th position in HSLC Exam.,2014 & Chabungbam Nirosa & Nitika Singam secured 10 points in S/Sc. in CBSE Exam.
Please contact : Soibam Robin P.G.T
Former J.N.V. (27yrs teaching exp. in Social Science)
98563-57971 / 94029-12272
HL-B/2075/8,10,12 ...alt Oct.2,4,.. Nov.

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
ADMISSION OPEN FOR LAST BATCH
CLASS XI & XII SC. FOUNDATION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
CLASS X FOUNDATION COURSE (Manipur Board)
"Classes is just started"
Run by well trained & 20 years experience teachers
Seats are limited, Hurry up !
Class Timing:
5.50a.m. to 8.15a.m.
Pliz Contact: B.C.C. Manipur Main Building
Keishampat Leimajam Leikai, Tiddim Road
Hostel & Van Service facilities # 9856310202 / 9856279435
HL-B/2107/1 to 31 Nov.

MILLENNIUM SCHOOL
A unique Co-educational Lower Primary School (Junior Section)
ADMISSION OPEN
FOR DAY-CARE
TO CLASS I FOR ACADEMIC SESSION - 2015
FIRST COME FIRST SERVE BASIS
FROM 3rd NOV' MONDAY, 11:30 AM ONWARDS,
LIMITED SEATS.
FOR DETAILS CONTACT MILLENNIUM SCHOOL FRONT DESK OFFICE
Sd/-
PRINCIPAL
M.S.
HL-P/1318/2-16/11

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০৬-১১-২০১৪, শগোলশেন, হিয়াঙ্গৈগী ১৫নি পানবা নুমিদাংগী পুং ০৪:২৯ দগী ১৬নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি কৌব্রু, নুমিদাংগী পুং ০৩:২৯ দগী নোংপোক

মেষ : মীনা চানবীবা, ৱাখল নুংঙাইবা পীবা, ইচা ইনাওগী মতেং ফংগনি।
লল্লোন ইতীক : মীনা শক খঙবীবা চাওখৎপা লৈগনি।
পাখঙ-লৈশা : তীন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং : ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, ঘী।

বৃষ : মথং থোংবা মীওইদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, লম কোইবা চৎনিংলকপা পীগনি।
লল্লোন ইতীক : অরংবা পোৎ-চৈদা কানজবা, থবক মফম চাওখৎপা লৈ।
পাখঙ-লৈশা : নীংবা থুংগনি, লৈরাং লৈনম লৈগনি।
হকচাং : খ্বাংদা, ঈশিং মরী নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

মিথুন : মীনা নুংশিবা ৱাৎকনি, লন চংবা লৈগনি, শাওনিংবা ফাওবা, মরুপ্পা য়েক্নবা ওইবা মতাংনি, পুক্নিং ফাথবা ফৈ।
লল্লোন ইতীক : চাওখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখঙ-লৈশা : ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং : মীৎ মৈগী শহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা

কর্কট: থবক্তা চাওখৎপা লৈগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা লৈগনি।
লল্লোন ইতীক : য়েক্নবা য়ামগনি, অরূ-অনানগী থবক কাগনি।
পাখঙ-লৈশা : মুক্নবা লাক্কনি।
হকচাং : ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

সিংহ: ৱাখল হোংবা পীবা, মখা চাওখৎপা, খঙহৌদনা থাবগা শাওনবা লৈগনি।
লল্লোন ইতীক : সনা, লুপা, থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা : মুক্নবা লাক্কনি।
হকচাং : মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, ঘী।

কন্যা: পোৎমাঙ চৈমাঙ লাকপা, লাংতক্নবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লল্লোন ইতীক : ঈশিংদগী পোথোক্তা চাওখৎকনি।
পাখঙ-লৈশা : ইকায় নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং : কোক মায়দা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

তুলা: ইমুং-মনুং লাংবা, শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা লৈগনি, লমদা চৎপা লৈ।
লল্লোন ইতীক : মাঙবনা হেল্লি, চীঙ্গাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা : অশাওবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং : শরু শীংলিদা নুংঙাইতবা।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

বৃশ্চিক: অৱা নুংঙাই য়ানগনি, যুমগী থবক্তা পুক্নিং লাংগনি।
লল্লোন ইতীক : মৈগী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখঙ-লৈশা : লাপ্লম্বা নকশিন্নগনি।
হকচাং : খোন্দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, চা চন্দন।

ধনু : তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা সন্মান তৌবিবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লল্লোন ইতীক : অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা লুপাগী থবক চাওখৎকনি।
পাখঙ-লৈশা : ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং : মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, ঘী।

মকর : অপাম্বা থবক্তা অয়েৎপা লৈ, মথক থোংবগা মুক্নবা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লল্লোন ইতীক : থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চানৈ।
পাখঙ-লৈশা : পুক্নিং লাংবা, ইকায়বা নংগনি।
হকচাং : মচেক ময়া পানবগী শহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কুম্ভ : মীনা চানবীবা, অকাউবা পীবা, থবক্তা চাওখৎলকপা লৈগনি।
লল্লোন ইতীক : চাওখৎপা, হীদাককি থবক কানগনি।
পাখঙ-লৈশা : চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং : ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

মিন : ৱাখল নুংঙাইবা, তৌরুবা থবক্তা কানজগনি, মীনা নুংশিবীগনি।
লল্লোন ইতীক : সনা লুপা, ফিরোলগী থবক কানজগনি।
পাখঙ-লৈশা : ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং : কোক নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু। যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।